‘জে টি রোদ অথুবদা শেমদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : জিরিবামগী বরাক সার্কল্ল হায়রগা খঙনরিবা জে টি (জিরি টিপাইমুখ) রোদ লম্বী অসি অথুবদা শেমদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা ফোঙদোরক্লি।

এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্টথানিল থোকচোমনা হায়খি, এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী টিম অমনা হান্না মনবহাদুর রোদ হায়না খঙনরম্বা অদুগা হৌজিক্লা জে টি রোদ হায়না খঙনরবা লম্বী অসিগী ফীভম য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অসিদা জে টি রোদকী ফীভম অসি অদুক্কী মতিক শোক্লা লৈরম্বা থেংনরকখি। চেঙ পুবা টাটা গাড়ী অমা লম্বী ফৎতবনা মরম ওইরগা চৎপা য়াদদুনা দ্রাইভর অমদি হেনি দমেন নুমীৎ হুম্নী হেন্না চরা হেল্লগা লৈরম্বা থেংনরকখি। পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী কয়াসু লম্বী অসিগী ফীভমসিদা চৎপা য়াদবনা গাড়ী অদুদা তোংলকপা পেসেঞ্জরশিংনা ইল্লগা ফৎতবা লম্বী শরুকশিং লান্থোক্লনবা হোৎনদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবসু এমসুগী টিমনা থেংনরকখি।

জে টি রোদ অসি বরাক সার্কলগী মীয়াম খক নত্তনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকীসু লাইফ লাইন ওইরিবনি। লম্বী অসিদা জিরিবাম ময়োলদগী ওজাশিং য়াওনা অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট কয়াগী ওফিসল কয়াসু মশাগী দ্যুটিগীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অমদি লোকল এম এল এনা অথুবা মতমগী মনুংদা লম্বী অসি শেমজিনবীগদবনি। ওথোরিটিশিংনা থৌশাদবা তারবদি এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগা মীয়ামগা খুৎশম্নরগা দেম্মক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমদি এসোসিএসন ওফ হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর্স ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা খুন অমদি লৈকায় কয়াদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা লেপ্তুনা চথরকপা এৱ্যের্নেস পীবগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ এন অঙম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমলাংহুপি (চোথে) কম্যুনিটি হোল, বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ১২তা লমলাংহুপি য়ুথ ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসন (এল ৱাই ভি ও), অপুনবা নুপী লূপ (এ এন য়ু এল) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা নোংমগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা আই আর সী এস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী লাইফ মেম্বর আর কে নবকুমার, আই আর সী এস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি জেনরেল জগৎ মোইরাংথেম, এন এন য়ু এল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম প্রমো, পি টি এফ সী-১৯গী মেম্বর নোংথোম্বম রুপচন্দ্র, বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ১২গী কাউন্সীল্লর পিহোইনু চোথে অমসুং লমলাংহুপি য়ুথ ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট থাও জোনি চোথেনা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমদি রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯ অসিবু ফহনবা ঙম্বা হিদাক পুথোক্ত্রি। মরম অসিনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক পরম চুম্না খুৎ-শা হান্বা, ফেস মাস্ক উপ্পা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই। লৈকায়-লৈকায়দা লম্বী থিংবা, শম্বল খাবনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থিংবা ঙম্লোই। লায়না-লাইচৎ অসিবু লান্থেংনবদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা ডোক্তর, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংবু খুন, লৈকায়দা চঙহন্দবগী ৱাথোক কয়া লৈরি। মসি তৌফম থোক্তে। পিপলস টাস্ক ফোর্সকী মায়কৈদগী খুন অমদি লৈকায়শিংগী ওইবা কোভিদ-১৯গী টাস্ক ফোর্স শেম্বীয়ু। টাস্ক ফোর্দ অদুনা লৈকায় মীয়ামদা কোভিদ-১৯গা পুন্না হিংমিন্নবা ঙম্বা খুন্নাই অমগী মথৌ তাবা এৱ্যের্নেস পীবীয়ু। লৈকায়, খুনদা খুদোংথিনিংঙাই ওইনা অনাবা কয়াম লৈ হায়বা খঙদোকপীয়ু। মীরোনবী কয়াম লৈ অমদি অঙাং উনগদবা কুইদ্রবশিংগী করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বসি শেম-শাবীয়ু। লোয়ননা চহী য়াল্লবা অহল অমদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু চেকশিন্না ঙাক শেনবগী অখন্নবা থবক লৌখৎপীয়ু। হৌজিক ইরমদম অসিদসু কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন অসি অসুক্কী মতিক খোঙজেল য়াংশিল্লক্লি। মরম অসিনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা তঙাইফদবা প্রোটোকোলশিং শুংশোয় শোয়দনা ঙাক্লবা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লবশিং অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থবক লৌখৎপীয়ু হায়বা ৱাফম কয়া থমখি। মখা তানা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমদি আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা খুন-খুন অমদি লৈকায়দা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম চথখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : ৱাংখৈ এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা তেলিপতিদা লৈরিবা ইমুং ৪০০ রোমদা সোসল ৱর্কর থাংজম অরুনকুমারনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিং য়াওনা ইমুং ৪০০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখিবা অদুগা মরী লৈননা থাংজম অরুনকুমারনা হায়খি, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা তেলিপতিদা লৈরিবা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি তেংবাংজবনি। তেলিপতিগী মফম কয়াদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবনা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবনি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিনা মরম ওইরগা তেংবাংগী থবক অসি পায়খৎচবনি। ৱাংখৈ এ সীগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরিবশিংদা মতেং পাংখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হূইশিংগী য়াইফনবা থৌরাং শীনবীয়ু : সপনা লাইশ্রম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : হূই অমবু তমথিবা মওংদা মঙকশমদা থৌরী পুন্দুনা, গাড়ী অমদা চিংলগা লমজাও সোড়ক্তা পুখিবা, য়াম্না অকিবগী মশক ওইরবা মীপুম খূদিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবগী চৈনা ফাওহনখিবা, থৌদোক অদুদা চেন্নবদগী হৌজিক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা মোটিলাল থিয়ামগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না জোইন্ট কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি (জে সী সী বি দব্লিয়ু)গী কো-কনভিনরসু ওইরিবী, য়েন্নিং ফাউন্দেসনগী চেয়রমেন সপনা লাইশ্রমনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

সপনা লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী জুলাই ৫দা সী এম ওফিসতা হূই চাবা থিংবীনবা এক্ট অমা পাস তৌবীয়ু হায়দুনা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অদু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থবক্তা ওম্থোকপীয়ু। মমাঙদসু য়েনিং ফাউন্দেসন অমদি মণিপুর দোগ লভর্স ক্লবকী মেম্বরশিংনসু হূইগী মতাংদা খোল্লাও কয়া লাউদুনা লাক্লি। অদুবু লৈঙাক অসিনা তাশিন্নদনা লৈববু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি অমদি মখা তানা থবক্তা ওম্থোকপীদ্রবদি লোকল ক্লব কয়াগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সপনানা মখা তারদুনা হায়, মীওইবগী মরুপ ওইরিবা হূইবু তাথি-তাওইনা তৌবীবা, চানবা শাদোং ওইনা উরকপা অসি পুন্নমক্কী লাইবক থীবনি। মখোয়বু মীনুংশিগা লোয়ননা থম্বীসি নৎত্রবদি মীওইবা ঐখোয়সি তমথিবা অমগুম খন্নরক্ক গনি। লৈঙাক অসিনা এনিমেলস ৱেলফ্যের বোর্দ ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা হূইগী সেল্টর থম্বীদুনা হূইশিংগী য়াইফনবা থৌরাং শীনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

নেসনল রিক্রুটমেন্ট এজেন্সীগী মতাংদা ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি) ইম্ফাল অমসুং রিজনল আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালগা পুন্না শীন্দুনা নেসনল রিক্রুটমেন্ট এজেন্সীগী মতাংদা ৱেবিনার হৌখিবা ওগষ্ট ২৯দা পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱেবিনার অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী সেক্রেটরি এন জি রোবেননা হায়খি, নেসনল রিক্রুটমেন্ট এজেন্সী শেম্বগী দি ও পি টিগী ৱারোল থোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক শিনবা থুংনা এগজাম থাফম লিশিং অমা হেন্না শেমগৎনবা শেনফম পীবগী অয়াবা পীখ্রে। মশক থোক্লবা পব্লিক সেক্তরগী থবক লৌবগী থৌওংদা শেমদোকপা অসিবু অথুবা মতমগী মনুংদা থবক ওইনা পায়খৎননবা শেম-শাবা লোইখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মী লৈননা পি আই বি ইম্ফালগী দিরেক্টর অভিসেক দয়ালনা হায়খি, থবক খনবগী মওং-মরিল চুম্বা অমসুং মীয়াম্না অরাইবা মওংদা খুদোংচাবা ফংবা য়াবা থবক লৌবগী কাঙলোন লৈহনবা অসিনা লৈবাক অসিগী শোথরবা মফমশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। মরমদি শোথরবা মফমশিংগী নহাশিংদা থাক মান্নবগী চাং অমা পীবা ঙম্লগনি। লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক্তা চপ মান্নবা খুদোংচাবা অমা পীননবা লৈবাক শিনবা থুংনা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী থাক ৱাংখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিসু লৈঙাক্লা খঙই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱেবিনার অসিদা ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর রিঙ্কু খুমুকচম, পি আই বি ইম্ফাল অমসুং রিজনল আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

থোঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মফম কয়াদা উ-চারাশিং থাবা হৌখ্রে

ককচিং, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : ৱাইখোং বিট ওফিসকী মনুং চন্না লৈবা থোঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মশক খঙদবশিংনা লোগী ৱাংমদা লৈবাক কোৎখিবা মফমশিংদা ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা ঙসিদগী উ চারাশিং থাজিন্দুনা খাজিনবা হৌখ্রে।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপমগী মীৎয়েং মখাদা ৱাইখোং বিট ওফিসর এন ব্রোজেননা লুচিংদুনা ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংগা লোয়ননা উ-চারাশিং থাবা অমদি খাজিনবগী থবক চথুখি।

ৱাইখোং বিট ওফিসর এন ব্রোজেননা হায়খিবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈরিবা লোকদাউন মনুং অসিদা থোঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়া অসিদা লোগী ৱাংমদা লৈবাক কোৎপা হেল্লকপদগী মফম অসিবুসু কলহৌনবা অমদি মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্বদা মতেং ওইনবা ঙসিদগী উ-চারা থাবগী থবক অসি চথুবনি হায়খি।

ৱাইখোং বিট ওফিসরনা কোল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াশিংদা উ-চারাশিং থাজিন্দুনা শম্বল খাজিনবগী থবক চথুখিগনি হায়না ব্রোজেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ)না লেপ্পা লৈতনা চথরক্লিবা লোলগী এৱ্যের্নেস কেম্প্যেনগা মরী লৈননা ঙসিসু কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোইসাইপুর খুনগী মান্দপতা ৬৭শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা খুন্দ্রাকপম অমুতোম্বা, এ এম এম পি এ এলগী প্রসিদেন্ট এ লিলি, সোমোর লুৱাং অমদি এম ৱাই এফ এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কেম্প্যেন অসিগা মরী লৈননা সেরাম হেরাজিৎনা হায়খি, অসামদা মণিপুরী লোলবু এসোসিএট ওফিসল লোল ওইহন্দ্রিবা ফাওবা এম ৱাই এফ এনা খোঙজং চঙশিল্লকপদা মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু। ঐখোয়গী ইমা লোলবু ঐখোয়না মতম লৈরিঙৈদা কলহৌদ্রবদি অতোপ্পা লাক্লগা কনবীগদবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনা মণিপুরী লোলবু ঐখোয় পুন্না কনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখি। থৌরমদুদা মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট ওফ অসামগী মেম্বর চন্দ্রকান্ত অমদি চিঙাখম বিশ্বর্জিৎসু শরুক য়াখি।

লৌশিং পুক্কে

মখল খুদিংমক্কী ফেস মাস্কশিং সেনিটাইজ তৌবগী মওংশিং

ফেস মাস্কনা ভাইরস য়াওবা রেস্পিরেটরি ড্রোপলেট (লোক-তিনগী ঈরীক) শিংবু ঙাকথোক্লবা পল অমা খাদুনা কোভিদ-১৯ শন্দোরক্কদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পংই হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

অদুমওইমক, কন্টামিনেট তৌরবা (মহীক-মতাং পক্লবা) মাস্ক অদুনসু লায়না শন্দোরকপা য়াই।

মাস্কশিং শীজিন্নরুবা খুদিংগী শেংদোকউ হায়না রেক্কমেন্দ তৌরি। অদুগা শেংদোকপা য়ারোইদবা মাস্ক ওইরগনা শীজিন্নবা লোইরবা মতুংদা মাঙহনখিগদবনি।

ফেস মাস্কনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থহল্লিবসিগী মরমদি অতোপ্পা মীওইশিংনা লোক খূবা, হাকথী খনবা নৎত্রগা ৱা ঙাংবদা য়াওরকপা রেস্পিরেটরি ড্রোপলেটশিংবু ঐখোয়দা য়ৌরক্কদবদগী ঙাকথোকপা পল অমা ফেস মাস্কনা শেম্মী।

মীওই অমদগী অমদা ভাইরস পুরিবা অসি হায়রিবা ড্রোপলেটশিং অসিননি হায়না ৱাশিংতনদা লৈবা শিটল কেন্সর ক্যের এল্লায়ন্সতা ইনফেক্সন প্রিভেন্সনগী মেদিকেল দিরেক্টর ওইরিবা ডা. ষ্টিভ পর্গামনা হায়রি।

লায়না পক্লবা মীওই অমনা লোক খূবা, হাকথী খনবা নৎত্রগা ৱা ঙাঙবা মতমদা মনাক নকপদা লৈবা মীওই অমনা নীংশা হোনবদা ড্রোপলেপশিং অদু য়াওখিবদগী নৎত্রগা মহাক্কী চীন নৎত্রগা নাতোন মনুংদা চঙখ্রবদি মীওই অদুসু ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌহনবা য়াই।

মীওই অমনা কন্টামিনেট তৌরবা মাস্ক অমদা শোক্লুরবা মতুংদা মহাক্কী চীন নৎত্রগা নাতোনদা অমুক পায়রুবদগীসু ইনফেক্সন তৌহল্লকপা য়াই।

মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা মাস্কশিং চাং নাইনা শেংদোকপা অমদি সেনিটাইজ তৌথোকপা মরু ওই।

পেন্দেমিক মতমদা মীয়াম্না তোয়না শীজিন্নবা মাস্ক মখলশিং অমুক হন্না শীজিন্নবা য়ানবগীদমক করম্না কাঙলোন চুম্না দিসইনফেক্ট তৌগদগে অমদি অরায়বা মওংদা নীংথিনা শেংদোকপা হেক্তা য়াদবা মেদিকেল গ্রেদকী মাস্কশিংবু করম্না হেন্দল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা মখাদা পীরি।

ফিগী ফেস মাস্ক

ওহায়ো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ৱেক্সনর মেদিকেল সেন্টরদা ফার্মাসি প্রেক্সিসকী প্রোফেসর অমা ওইবদা নত্তনা ইনফেক্সিয়স দিজিজেস স্পিসলিষ্ট অমসু ওইরিবা দেব্রা গোফনা হায়, ফিনা শেম্বা মাস্ক, বন্দনা, স্কার্ভ অমদি নেক গাইটরনচিংবা ফেস মাস্ক মখলশিং অসি নীংথিনা শেংদোল্লগা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াবা মাস্ক ঙাক্তনি।

ৱাশিং মেছিনদা শূদোক্লবগীদমক ইহান হানবদা খূৎ শেংনা হামদোক্কনি। মথংদা মীৎ, নাতোন নৎত্রগা চীনদা থেংহন্দনা মাস্ক অদু লৌথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না হায়রি।

মাস্ক অদু লৌথোরকপগা ৱাশিং মেছিনদা হাপচিনখিগনি অমদি খূদক্তা খূৎ অমুক হামদোক্কদবনি।

মাস্ক শূবা মতমদা চুম্নগী ফি শূনবা দিটর্জেন্টগা ব্লিচকা শীজিন্নদুনা রেক্কমেন্দ তৌবা খ্বাইদগী শাবা য়াবা চাং ফাওবা শাহল্লবা ঈশিংদা শূগদবনি হায়না মহাক্না রেক্কমেন্দ তৌরি।

মাস্ক অদু শূবা লোইবগা মপূঙ ফানা কংদ্রিবফাওবা মৈশাদা কংহনগনি।

মাস্ক অদু খূৎনা শূগে হায়রগদি মাস্ক লৌথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা খূৎ হামদোকপগী প্রোসিজর অদু চপ মান্নবা তৌগনি। মাস্ক অদু দিসইনফেক্ট তৌনবগীদমক ঈশিং লিটর অমদা হাউসহেল্ড ব্লিচ চামচ ৪গী চাংদা হাপ্লবা ব্লিচ সোল্যুসনদা মিনিট ৫ লূপশিন্দুনা থমগনি। মসিগী মতুংদা ঈশিং ঈচমদা শেংনা থাদোল্লগা এয়র-ড্রাইনা কংহনগনি।

মাস্কশিং অসি উপ্লুবা খুদিংগী শেংদোকপনা খ্বাইদগী ফৈ হায়না গোফনা ফোঙদোক্লি।

মেদিকেল গ্রেদ মাস্কশিং

বিংহামটোন য়ুনিভর্সিটি, ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু য়োর্ককী সেন্টর ওফ বাইওমেন্যুফেকচরিং ফোর রিজেনরেটিব মেদিসিনগী দিরেক্টর কাইমিং য়েনা হায়, এন৯৫ অমদি সর্জিকেল মাস্কনচিংবা অকক্লবা মখলগী মাস্কশিং অসি অমুরক্তং শীজিন্ননবগী মওংদা শেম্লকপনি।

মসিনা তাকপদি, মীচম মীয়ামগী ওইনদি মাস্ক মখলশিং অসি শীজিন্নরুরবা মতুংদা দিসপোজ তৌখিগদবনি হায়বনি।

অদুবু অসিগুম্বা মাস্ক মখলশিং অসি প্রোফেসনল সেটিংদা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াই, অদুমকপু নীংথিনা দিসইনফেক্ট তৌগদবনি হায়না ৱেনা হায়রি।

খুদম ওইনা, এন ৯৫ মাস্কশিং অসি য়ু ভী সী জর্মিসাইদেল ইরাদিএসন নৎত্রগা ভেপর ফেজ হাইড্রোজেন পেরোক্সাইদনা দিসইনফেক্ট তৌবা য়াই হায়না মহাক্না হায়রি। অদুমওইনমক, দিমান্দ নেম্বা মরম্না সর্জিকেল মাস্ক দিসইনফেক্সন তৌবা নৎত্রগা অমুক হন্না শীজিন্নবগী মতাংদা টেষ্ট তৌবদি লৈত্রি হায়না ৱেনা হায়রি।

করিগুম্বা মাস্ক অদু শীজিন্নবা লোইবা খুদিংগী অনৌবা অমা শিনবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি লৌথোকপা মতমদা নীংথিনা য়েংশিনগদবনি হায়না গোফনা সজেষ্ট তৌরি। করিগুম্বা মাস্ক অদু মোৎলবা, শেগায়রবা নৎত্রগা চোৎলবদি অদু শোয়দনা মাঙহনখিগদবনি। করিগুম্বা মাস্ক অদু মোৎপা উদ্রবা অমদি শেগায়বনচিংবা য়াওদ্রগাদি শীজিন্নদবা মতমদা অনানবা চেগী বেগ অমদা নৎত্রগা নুংশিৎ চঙবা অতোপ্পা কন্টেনর অমদা হাপ্লগা থমগদবনি। অদুবু তশেংবদি মখোয় অসি অমুকপু শীজিন্নরুরবদি অমুক হন্না শীজিন্নররোইদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

বি জে পি ও বি সী মোর্চাগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) ও বি সী মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আর কে নোংদ্রেনখোম্বা মৈতৈনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমনা মোর্চা অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

বি জে পি ও বি সী মোর্চাগী নৌনা থৌ পুননবা খনখ্রবশিং অদুদি, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা অকোইজম প্রদিপকুমার, লাইশ্রম রোমিও অমসুং অরিবম ভিক্টোরিয়া শর্ম্মা, জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইনা ওইনাম কনর্জিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) ওইনা নিংথৌজম অমরজিৎ, ট্রেজরর ওইনা নিংথৌজম মোমোন মীতৈ, সেক্রেটরি ওইনা হৱাইবম প্রেমচান্দ, কঙাবম রাজেন মীতৈ অমসুং তখেল্লম্বম বিক্রমনি। অদুগা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ওইনা মীওই ১২সু খনখ্রে। নৌনা খল্লবা মীওইশিং অসি চৎলিবা টর্ম অসিগী ওইনা খুদক্তগী থৌ পুবা হৌরগনি হায়নসু বি জে পি ও বি সী মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আর কে নোংদ্রেনখোম্বনা থোকখিবা ওর্দর অদুদা পল্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পান্নি

অব্দুল মনাল, থৌবাল মোইজিং

কোরোনাগী চৈথেং মরক অসিদা মনিপুরগী মফম খরদা বাই ইলেক্সন তৌগনি হায়বগী পাউ খজিক লাকপদা ঙাইহিরি। মফম খরদদি ইলেক্সনগী কেম্পেন তৌবা হৌনখ্রে। ভোট লোয়খ্রবা মতুং হন্না য়েংবিরমদ্রবা ভোটরশিংদা নৌনা অমুক মোইথেম তৌবা হৌনরে। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্না পার্টি অমগী হেক্তা ওইবা য়াই মীয়ামগী য়াইফ থৌরম অমদি চাওখৎ খোঙথাংগী থবক তৌখিদবা অমদি লোনা য়াদবা থবক তৌখিবা মরাল লৈরবা মীরেপশিংদা ভোট পীদনবা হোৎনমিন্নসি। মদুনা অশেংবা দেম্মেক্রেসি লমদম অসিদা পুরকপা ঙমগনি। লোয়ননা লমদম অসিদা অফবা লুচিংবা মীওইনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি। মদুনা চাওখৎপা অমদি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। লমদম অসিদা ভোট কয়ারক তৌখ্রে, কয়া অমসু লাকখিগনি। লৈবাক মীয়াম্না শুপ্পগী খুদোংচাবা খরগীদমক অফবা মীখল খন্দ্রগা ভোট কাপ্পবা মতুংদা মীয়ামগী থবক তৌরকতেহায়না ঙাংনবদুনদি অহোংবা করি অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্না ভোট মতমদা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা য়াম্না মুন্না খন্থরগা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীরেপশিংদা ভোট থাদনবা হোৎনবিয়ু হায়জরি। মদুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

মাইবম সুধির, শামুশঙ লাইরেম্বী লৈরক

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মরক অসিদা পুম্নমক ৱানরে হায়বসিদি অচুম্বা ৱাফমনি। হেন্না ৱারিবদি লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদ্রবা মীওইশিংনি। কোভিদ-১৯গী চৈরক অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি চেঙ, হৱাই খরা-খরা পীবিরকপা অমদি সোসল ৱার্করশিংনা য়েনবিরকপা থাও-থুম খরনা অদুমক হিংলি। অদুবু মরুওইবা থক্লবা ঈশিং ঙসি ফাওবদা মতিক চানা ফঙবা হায়বদু ওইদ্রি। চাওখৎলবা মতম অসিদা ফাওবা লৈকায় অসিগী মীওইশিংনা পুম্রিদ্রগী অদুমক ঈশিং থক্লরি। চহী খরগী মমাংদা ওল্ড এজগী পেন্সন ফংনবা অমদি মওং তানা লৈত্রবা য়ুম অমতং শাবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা হাওসিং লোন থাখিবসু ফঙবা কৌবা লৈত্রি। লৈঙাক্লদি হাওসিংগী লোন পীরি অমদি প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা য়ুম কয়া শাখ্রে হায়না লাউবিরি। অদুবু ইশা শোল্লবা অহল ওইশিল্লক্লবা কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংগীদি ঙসিসু অদুমক চাকথুং ফঙদনা লৈরি। তশেংনা লৈঙাক্কী মতেংগী মথৌ তারিবদি কনা লৈজদ্রবা মতু শোল্লবা মীওইশিংবু মান্নবা খুন্নাইগী পুন্সি মহিং অমদা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবিবা অদুনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরদা হায়জনিংবা ৱাফমদি ঙসিসু ঐখোয়গুম্লবা লায়রবা মীওই কয়া অমা লৈরিবসিদা মতেং পাংবিয়ু হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০১।০৯।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৯.৩৯ ফাওবা লাংবনগী ১৪ নি পাল্লি, মতুংদি ১৫ নি পাল্লনি।

মেষ: মীয়ামগা মরি ফগৎপা, মরুপ মপাংশিংগা লোইনবা থবক্তা কান্নবা ফংবা অমদি ললোন ইতিক মাই পাকচবা নুমিৎনি। খোইরাংবা/অচানবা কাইনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: ফিংবা অমদি ইমুং মনুংদা ৱাখল তান্নবা ৱাৎপনা অরেম্বদা হেন্না চাদিং তৌবা য়াবা লৈগনি। ঙাংথোকপদা মীয়াম্না থাগৎপিগনি। য়েৎনরবা থবক মাংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: চিংনবা অমদি য়েৎনবা খরদি হান্নগুম লৈগনি। লৌশিং থাদরগা পাংবা অমদি অচুম্বনা মাংওইনবা শোইদনা মাই পাক্কনি। অঙনবদা অফবা খোংশাল লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কর্কট: মীয়াম্না য়ারগনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগদবা লৈরে অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেলথুম ফংবা য়াবা লাক্লে। মীতোপ অমদি লাইনানা তাথি, চিঞাক কামগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: নিংবা থুংগনি, ৱাখল থাদরগা পাংবা থবকশিং লেম্নমক মাই পাক্কনি। মরুপ মপাং লোইনৌ চাওনা কান্নবা ফংগনি অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবগুম নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: মীচং হেনগৎপা, ৱাখল লৈনা থৌ পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎলি অমদি তুংগী পোরম নিংথিনা য়াৎপা হৈগনি। হন্থবদি লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: লৌশিং খরা ৱাৎলি অদুনা নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌদবা ফৈ। হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎলি অমদি মীয়ামগী মতেংনা থবক পাংগনি। ফত্তবা ৱাখল থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: হুরানবা/লায়নাদৈ চেকশিল্লু। লৈঙাক্কী লমদা চিংনদনা মাংলোমদা চংশিল্লু। মাই পাকপা শোইরোই। ইমুং মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

ধনু: চিন য়াওগনু অমদি অরং অরাক চেকশিল্লু। অশাওবা হাইবসিনা মাংহল্লি হাইবসি নিংশিংঙু। লাইবক ফবনা ওইজ-ওইথক তানবদি লেম্নমক মাই পাক্কদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর: অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্লসু খুদম চনবা ঙমজবা নুমিৎনি। নক্লবনদি লৌথোক চাথোকনিংবা লৈরসু পাউ নুংঙাইবা তাজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা: মীচং য়াম্না ফংজবা, নিংবা থুংবা অমদি য়েক্ল-তিংখং লৈতবা নুমিৎনি। মীতোপকা য়েংথিনবা য়াবা লৈ। ৱা য়াম্না ঙাংগনু, মীৱা থাজগনু। অচুম্বনা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি ৱাখল নুংঙাইবা নুমিৎনি। মীকোক থোংগদবা মতাং লাক্লে অদুনা নিংহন্নদনা মাংলোমদা চংশিনবা য়ারগনি। অশাওবনদি মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।